লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা হাওরং সাবল মখা লৈকায়গী লমশাং কৈথেলদা লৈবা মণিপুরী অরাংফম দিভেলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ইন্সটিটুট্যুসনগী মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবা

Sabal Makha Leikai
PRESIDENT
CHIEF GUEST

ৱাংজিং কোদোম্পোকপীদা লৈবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মৈতৈদা লান্দারকখিবা ৩৬৬ শুবা নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোকখিবা

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলদা তাবা লিলাখোং মরিল মতম কয়া তেংথোরক্তবদগী নারক-মোংশোংগুম্না শোংজিল্লক্তুনা লিন-কাঙগী মকোল ওইদুনা লৈরকপগী ফীভম

জিরিবাম পিছ কম্মিটিগী চহী অমা মপুং ফারকপগী অহানবা চহীগী মীফম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী কদমতালাদা লৈবা ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা কম্মিটি অসিগী চেয়রপার্সন তাহেমাং পানমৈনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা

লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

নেসনল লাইভষ্টোক মিসন (এন এল এম)গী মীৎয়েং মখাদা জোইন্ট দিরেক্তর দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস থৌবাল/ককচিং, দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট (দি এম এম য়ু) অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম)না পুন্না খুৎশম্নরগা নুমিৎ হুম্নী চুপ্পা চথুগদবা লৌমীশিংগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ৱাঙ্খেম হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা পাউনা হোলদা হৌদোকখ্রে।

'পোল্ট্রি মেনেজমেন্ট, সাইনটফিক রিয়্যারিং ওফ পিগ এন্দ লাইভষ্টোক ইন্স্যুরেন্স' হায়বা হীরমসিদা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাঙ্খেম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অসেম মোধুচন্দ্রনা অথোইবা মীথুং, রিজনল কোলেজগী রিটাইয়র্দ প্রোফেসর লাইশ্রম বিজয়কুমার খুমননা থৌরম মপু, ৱাঙ্খেম গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর ৱাঙ্খেম প্রতাপ অমদি দি এম এম য়ু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজর রাজকুমারী নিকিতানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস থৌবালগী জোইন্ট দিরেক্তর ডা. পি গোজেন্দ্রোনা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীবদা লৌমীশিংনা শা-ষন লোইবদা লায়চৎনা নৎত্রগা করিগুম্বা মরম অমনা মাঙলগদ্রা হায়না ৱাবা, নিংহন্নবা কয়া থেংনৈ। মরম অসিনা লৌমীশিংদা ইন্স্যুরেন্সনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি মমুৎ তানা খঙহন্দুনা ৱাখল নুংঙাইনা ইশাগী ইথৌদাং পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংবু চাওখৎ মায়কৈদা পুননবা ট্রেনিং প্রোগ্রামসি পাঙথোকপনি। ইনিদয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্না লৌমীশিংদা পীরিবা খুদোংচাবা লৌমিন্নদুনা চাওখৎপা, চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা ইরমদম অমা ওইহল্লসি হায়খি।

লৌমী ১২০না শরুক য়াখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা থবক্তগী পোখারবা পোল্ট্রিগী স্পেসিএলিষ্ট ডা. সোমোরেন্দ্রো, দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি হোস্পিটাল থৌবালগী ভেটিরিনরি ওফিসর ডা. দাইনা ক্ষেত্রিময়ুম অমদি য়াইরিপোক ভেটিরিনরি হোস্পিটালগী ভেটিরিনরি ওফিসর ডা. কে ব্রোকেন অহুম্না রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

চবুংবম কোন্দুমদা এৱার্দ পীরগনি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. নাওরেম অহঞাও মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ফোরম অসিগী মিনি ওদিটোরিয়মদা ফোরমগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর কোইজম শান্তিবালানা মীফম মপু ওইদুনা ইগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগী ওইবা অথুবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অদুগী অনীশুবা এজেন্দাগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই সোইবম লৈকায়দা লৈবা চবুংবম কোন্দুমবু ফোরমগী চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ৩৪শুবা মনা হিদংময়ুম গৌড়নিত্যাই শর্ম্মা অমসুং মনি দেবী মেমোরিএল লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ইন ৱারী লীবা-২০২৪ পীবদা খ্বাইদগী মতিক চারবা মীওইনি হায়না ঙসিগী মীফম্না অমত্তা ওইনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

হায়রিবা মনা অসি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন্দা লান্থোক্কনি। থৌরমদু চৎলিবা থা অসিগী ১৭, ইরাই নুমিত্তা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী মেন ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। চবুংবম কোন্দুম মণিপুরগী শক্নাইরবা ৱারী লীবশিংগী মনুংদা অমা ওইনা ঙসিসু মীয়ামগী থৌগল তৌরি।

মোরেদা কুকিনা মৈতৈদা লান্দারকখিবা ৩৬৬শুবা নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) : খুৎলায় পায়বা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা হৌখিবা চহী ২০২৩গী মে ৩দা মৈতৈশিংদা লান্দারক্তুনা কাঙলুপকী লান থোক্লকপা অমদি মৈতৈ কয়া ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরগা লৈরকপা চহী অমা মপুং ফারকপগা লোয়নন্না 'মোরেদা কুকিনা মৈতৈদা লান্দারকখিবা ৩৬৬ শুবা নুমিৎ' হায়না পেন্দবা ফোঙদোকপা থৌরম অমা মৈতৈ কাউন্সীল মোরেনা শীন্দুনা ঙরাং ৱাংজিং কোদোম্পোকপীদা লৈবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

কাঙলুপকী লানসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা অথৌবা কয়াগী মফমদা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না 'মোরেদা ঐখোয় হনখিগনি, মৈতৈগী য়েক্লবা পূম্নমক মায়থীবা পীগনি, ইমা লৈবাক্না য়াইফরে' হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখিবা থৌরমদুদা হৌজিক-হৌজিক মোরেদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মোরেগী খুঞ্জা কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মৈতৈ কাউন্সীল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম থোইবনা হায়খিবদা, ১৯৯৫দা শাফোঙখিবা মৈতৈ কাউন্সীল মোরেনা মোরেদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংগী য়াইফনবগীদমক ঙসি ফাওবা লৌবা য়াবা থৌদাং পূম্নমক লৌদুনা লাক্লি। মোরেদা কুকি, তামিল অমদি পাইতেগা কুকিগা খুৎ থোক্নরকপা মতমদা ঈরাংদু ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মৈতৈ কাউন্সীল মোরেনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। লোয়নন্না অদুঙৈ নাগা অমদি কুকি অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকপা মতমদসু মৈতৈ কাউন্সীল মোরেনা ৱারোইশিন পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

অদুবু মোরেদা লৈরিবা কম্যুনিটি পূম্নমকপু নুংশি-চন্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনদুনতা লাক্লিবা মৈতৈ কম্যুনিটিগী মথক্তা কুকিশিংনা হৌখিবা চহীগী মে ৩দা খুৎ থাবা হৌরক্তুনা খৎনবা হৌরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মরমসিনা মোরেদা খুন্দারিবা কুকিশিংনা মৈতৈ কম্যুনিটিনা কম্যুনিটি পূম্নমক্কী ওইনা লৌখিবা থৌদাং পূম্নমক অদু খঙগদবনি অমদি মোরেদা লৈরিবা অতৈ কম্যুনিটি পূম্নমক্কী ওর্গনাইজেসন পূম্নমক্লসু মৈতৈ লান্দে হায়বসি খঙলিবনিনা মৈতৈ অমদি কুকি অনীগী মরক্তা লৈরিবা পামদবা থৌদোকসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা শীনবীগদবনি।

মৈতৈশিংনা মোরেদা লৈরিবা কুকিগী য়ূম অমত্তদা লান্দাবা লৈত্রি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা মৈতৈশিং মোরেদা চঙলক্কনু হায়বা কুকিশিংগী ৱাফমসি হন্দোক্কদবনি। মীকুপ অমদা লোইবা য়াবা লানসিবু চহী অমা হেন্না চথুহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌবীরোইদবনি। মরম অসিনা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না অথুবা মতমদা কাঙলুপকী লানসি লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

লিলাখোং মরিল খম থেংনা মোৎলে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা অৱাংবা থাক্কী মহৈকোল অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুং ফাওদুনা চেল্লিবা লিলাখোং মরিল অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম শাংনা মীৎয়েং চঙবীদবদগী অমোৎ-অকায় কয়া থাদরকপনা লায়না-তীন্না কয়া থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে। লোয়নন্না নারক-মোংশোংগুম্না নোংম-নোংমগী শোংজিল্লকপনা লিন-কাঙগী মকোল ওইরক্লেহায়রি।

এম য়ুগী অৱাং থংবা নাকলগী কেম্পস মনুং ফাওদুনা চেল্লিবা মরিল অসি নোংজুথাগী মতমদদি য়াম্না মরু ওইবা ঈশিং ঈচেল নাইনা চেল্লম্বা খোং অমা ওইরম্লিবনি। মসিদা খ্বাইদগী অমোৎ-অকায় থাদরিবা মফমনা এম য়ুগী নোংপোক থংবা মেন গেটকীনা অৱাং থংবদা লৈরিবা হিজগাং থোংগী অৱাং থংবা লম্বীগী নাকলদা দুকান, হোটেল অমদি য়ূমগী ফত্তবা অরেম-অপা পোৎলমশিং লংথোকফম ওইবনা লিলাখোং মরিলদা অমুক তারগা নোংজুথাগী মতমদা ঈচেলনা পুথরক্তুনা থেনবা হেনগৎহল্লি।

এম য়ুগী মনাক নকপদা লৈবা অহল খরনা পাউচেসিদা ফোঙদোরকপদা, এম য়ুগী নোংপোক অমদি অৱাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক ফাওদুনা চেল্লগা খা পাঙনা চেনখিদুনা চন্দ্রনদি তুরেলদা তারগা নম্বুল তুরেলদা তাখিবনি। মিটর ৮০০/৯০০ লোম শাংনা এম য় কেম্পস মনুং ফাওদুনা চেল্লিবা লিলাখোং মরিল অসি য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংগী এরিয়াসিনা খ্বাইদগী মোৎপা মফম অমসু ওইরি। হৌজিক্তি নাপী-শিংনাং কয়া হৌজিনখিবদগী মী চঙবা ফাওবা হঙ্গোইনরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মমাংঙৈদদি মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা ঈশিং-ঈচাউ লাকপা অমদি লাক্ত্রিঙৈদা মীয়াম চঙদুনা চহী অমদা অমুক অনীরক্তি তেংলম্বনি। এম য় ওথোরিটিনা চেকপল খাজিনখিবদগী মীয়াম্না চঙদুনা শেংদোক্লুদবদগী শোংবা হেনগৎলকপনি হায়রি।

অতুলকুমার অঞ্জান লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা ঙসি মণিপুর লৌমী লূপনা শীন্দুনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল সেক্রেটরিয়েট মেম্বর ওইরম্বা অতুলকুমার অঞ্জান লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৌমী লূপকী প্রসিদেন্ট সিংহজিৎ, সী পি আই ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেন, হান্নগী মিনিষ্টর ডা. এম নর, সী পি আইগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার অমদি মণিপুর লৌমী লূপকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এস নিলকোমোলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুকয়াখি।

লৈখিদ্রবা অতুলকুমারগী ফোটোদা মীফমদুদা তীনখিবা মীয়াম্না লৈ কত্নুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। থৌরমদুগী মতাংদা ডা. এম নরনা লৈবাকসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা লৌমী অমদি মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ কয়াদা অমসুং খুন্নাইগী ওইবা মুভমেন্ট কয়াদা চিংখবা লৈতনা য়াওরকখিবা ইচঙ থৌবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী অতুলকুমার অঞ্জাননা মশাগী চহী ৭০ খক ঙাইরিঙৈদা তাইবংপান থাদোক্তুনা চৎখিবা হায়বসি খুন্নাইসিগী ওইনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী ঈরাংসি চহী ১ মপুং ফারবসু সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না খোঙথাং অমত্তা লৌখত্তনা লৈরিবসি ভোট হায়দোকপা ঙাইরিব্রা হায়বগী চিংনবসু ফোঙদোকখি।

তরাগী চৈশুনা ওবজার্ভেন্স ওফ থর্দ মে ২০২৩ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

মে ৩, ২০২৪ অসি তোঙান তোঙানবা লূপ, সী এস ও, ওর্গনাইজেসনশিংনা মমিং কয়া থোন্দুনা থৌরম কয়া পাঙথোক্লখি। মমাঙ চহীগী মে ৩দগী হৌরকখিবা কাঙলুপ অনীগী ঈরাংসি চহী অমা মপুং ফাবগা লোয়নন্না তরাগী চৈশুনা ঙরাং ওবজার্ভেন্স ওফ থর্দ মে ২০২৩ হায়না মিংথোন্দুনা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কমপ্লিট হিয়রিং সোল্যুসন্স, ওপ্পোজিৎ নোর্থ জেনিমস পোরোম্পাৎতা লৈবা তরাগী চৈশুগী ওফিসতা পিছ এন্দ সোলিদরিটি ৱিথ ভিক্টিমস ওফ দি ক্রাইসিস হায়বা থীমদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমদুদা তরাগী চৈশুগী এদভাইজর অরিবম শ্যাম শর্ম্ম পদ্মশ্রী, নাগা ফোরম ইম্ফালগী সেক্রেটরি এ এস হুংপ্রো সিমরে অমদি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেয়রমেন ওইরম্বা হৌজিক্না তরাগী চৈশুগী চেয়রপার্সন ওইরিবা খাইদেম মনিনা অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা এ এস হুংপ্রো সিমরেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি চহী অমা ফারকপসিদা ঐখোয়না লমন খুন্নগী লম্বীদা নত্তবা পিছকী লম্বীদা ওইনা চঙশিনসি। মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলুপ অনীগী লানসি চহী ফাজিল্লকপসিদা য়াম্না নুংঙাইতে। অতোপ্পা লৈবাক্তা থোকখিবা জিনোসাইদসু মণিপুরগুম্না চহী অমা চঙদে। থা ২/৩ দা য়ু এননা ফজনা লোইশিনখি। মণিপুরসিদি হৌজিক পিছকী লম্বী অমত্তা উদে। ঐখোয় খৎনরগা, হাৎনরগা অদুম লৈবদি য়ারোই। অসিগুম্বা চহী ফারকপগী নীংশিং থৌরমসিদা হাৎন-শুনবা নত্তবা পিছকী লম্বীদা ওইনা পুন্না চঙশিন্নবা হোৎনসি। হৌজিক মণিপুরসি অতোপ্পা লমশিংগী মমাঙদা য়াম্না ঈকায় ফিরুক খুল্লে। চাওখৎপগী লমজেলদা শোথরে হায়না ফোঙদোকখি।

ফাউন্দেসন দে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং কৈথেলদা লৈবা মণিপুরী অরাংফম দিভেলপমেন্ট এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুসনগী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা নেরেটিভ আর্ট ফেষ্টিভেল হাওরং সাবল মখা লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা লুক্রাম ঙৌবা সোসল ৱার্করনা অথোইবা মীথুং, লাইশ্রম নবকুমার সোসল ৱার্করনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

জিরিবাম পিছ কম্মিটিগী অহানবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

ঙসি জিরিবামগী কদমতালাদা লৈবা ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা জিরিবাম পিছ কম্মিটিগী চহী অমা মপুং ফারকপগী অহানবা চহীগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জিরিবাম পিছ কম্মিটিগী চেয়রপার্সন তাহেমাং পানমৈনা চেয়র লৌখি। মীফমদুদা জিরিবামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিশিংগী লুচিংবা, লুচিংবী কয়ানা শরুক য়াখি। লোয়নন্না সী এস ওশিং, কম্যুনিটিশিং, কম্মিটিগী মেম্বরশিং, ৩৯-এ আর অমদি ৮৭-সী আর পি এফ জিরিবাম অমসুং তমেংলোং পুলিসকী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি।

মীফমদুদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা অচৌবা ঈহৌ নৎত্রগা ঈরাং থোক্তনা য়াম্না ঈংনা চিক্না ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবসিদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী অচৌবা খুদোলনি হায়না ফোঙদোক্লখি। ঙসিগী মীফম্না এপ্রিল ১৬তা নেসনল হায়ৱে ৩৭কী তোলেন খুলদা ওইল টেঙ্করশিংদা এট্টেক তৌখিবা, এপ্রিল ৩০দা খূৎলায় পায়বশিংনা সেজাং-মোংবুংদা মীওই অমবু ফাজিল্লুবা, মে ২দা উচাথোলদা মী লৈনদবা য়ূম মৈ থারম্বা অমদি অহিংদা ফাইতোল মনাক্তা মণিপুর পুলিসতা বোম লংশিল্লম্বনচিংববু কন্দেম তৌখি।

'রিমসকী লম্বী খুদোংথিবা থোক্কদ্রা কিনরে'

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী অনা-লায়েংগী লমদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তাবা মরু ওইবা লম্বী রিমস রোদ, ললাম্বুং মখোঙগী লম্বীগী ওইরিবা ফীভমসি অসুক্কী মতিক ফত্তবনা খুদোংথিবা কয়া থোকপা য়াবগী অকিবা চাউনা পোক্লরে হায়রি।

লম্বীসি উরিপোক এ সী অমসুং থাংমৈবন্দ এ সী অনীগী তাইনবদা লৈবা য়াম্না মরু ওইবা লম্বীনি। মসি ষ্টেটকী খ্বাইদগী চাউরবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগা য়াম্না নক্লনা লৈবা মফমনি। মণিপুরগী মী খ্বাইদগী কুংনা তাবা মফমদা লৈবা লম্বীসি মপান লমদগী লাকপা মীয়ামগী শকয়েং মিংশেলগুম্বনি। অদুবু লাইবক থীবদি লম্বীসি সিৱেজ প্রোজেক্ট এন্দ পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়রিংনা ঙাইহাক লৈতনা কোৎথোক-কোনশিন তৌরগা ফজনা শেমজিনবীরমদবনা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্লি, নুংশা শারগা উফুলনা মীয়ামদা অৱাবা পীরি। নোং খজিক্তং তারগনা লৈখোম্না অচৎ-অওকশিংদা তোয়না খুদোংথিবা থোকহল্লি। মরম অদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ব্লেক টোপ্পিং তৌবীয়ু হায়না কে তরুনকুমার কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লি।

[illegible]

[illegible]

সানুলালনা থক্লবা ঈশিং য়েনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচ এন এস) :

সলাই অপূনবা নুপী লমজিং লূপ (সানুলাল)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ থোইনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা চথুরক্লিবা লান চহী অমা হেল্লবা ফাওবসিদা লূপ অসিনা খুল ঙাক্লিবা মফম খূদিং চত্তুনা লেপ্তুনা চান-থক্লবা পোৎলম থিনবগী থবক পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, সানুলালনা চথুরকপা থবক্কী মখা তারকপা ওইনা খুল ঙাক্লিবশিংনা লাম্হেংনবদা মায়োক্নরিবা ঈশিংগী অৱাবা য়েংলগা মমা ওইবী ঐখোয়না অরাম-খৌরাংবা কোক্লবগীদমক থা অসিগী ৩দগী থকপা য়াবা অরুবা ঈশিং য়েনবগী খোঙচৎ হৌখ্রে। ১৮৯১দা মণিপুরদা থোকখিবা লান অদু থাঙ অমদি নোংমৈগী লাননি। অদুনা হৌজিক ঐখোয়না কনাবু কিগনি। মচোই-মচোই তান্নদনা পুন্না লেপমিন্নবগী তাঞ্জা লাক্লে হায়রি।

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8686/17 April to 16 May

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
1st P.T	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
2nd P.T	9.50	1,500	14,250
		2,000	19,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			4,000

Contact No. 6009512716

HL-P/10585/29 April to 14 May

[illegible]
PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career
ADMISSION OPEN For
Foundation Course
(Cohsem & Cbse)
CLASS-XII (Evening Batch)
Phy, Chem, Maths, Bio, H.Sc. & Eng.
Class Commenced on 1st week of April 2024
CLASS-XI (Evening Batch)
Phy, Chem, Maths & Bio
Class starts on 25th April 2024
Class-XII (Morning Batch)
Chem. & Bio Class starts on10th may 2024
Provision
Options provided for Sub Choice under condition
Facilities for van transport & seperate hostel for boys & girls
Class Timing
For Normal Courses
Morning: 4:30 - 6:45 am
Evening: 4:15 - 8:00 pm
Summer vacation Course
for Sainik & Novodaya
MORNING BATCH (5 to 9am) Sub: Phy, Chem, Maths, Bio & Eng
CLASS STARTS ON 10th MAY 2024
Limited seats
First come first serve with concession
For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY 9863002206

HL-B/8680/9 to 27 April alt.

Eduguide
[illegible]
8258013846
Registration is going on
NDA - II (September, 2024)
100 Day's Session starts : 20th May, 2024 (7:00 a.m. to 9:00 a.m.)
AND
JEE (MAINS / ADVANCE) MATHS FOUNDATION COURSE, 2024-2025
Session starts : 20th May, 2024 (Morning)

Special Features:
✓ Tutor by a team of expert faculties.
✓ Specially design suggested questions base on passed years.
✓ Weekend Test Series

Limited SEATS | Target : 100% Success

FACULTIES:
Sir B.L. Singh
M.Sc. Maths (B.Ed., M.Ed.), Experience - more than 25 yrs.
Sir S.K. Singh
M.A. English (B.Ed.), Experience - more than 25 yrs.
Dr. Lunfasana R.K.
M.Sc. Botany, Experience - more than 12 yrs.

Forms Available: Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Building

HL-B/8672/3,4,5,6,7,8 May

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
[illegible]
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
→ Course Fee: 4000 per subject
→ Installment basis accepted
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 2nd Batch
Class commencing on 25th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)

18TH POSITION
Yumnam Hemlan
MECI Explorer Academy

20TH POSITION
Bhumika Rajkumari
COMET School

86%
Ranjan Chungkham
MECI Explorer Academy

86%
Bonita Laishram
COMET School

Form available at :
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)
7629028328
9863160060

HL-B/8646/18